# ইন্টর স্কুল ফুটবোল অন্দর–১৪ বোইজ এন্দ গার্লস হৌখ্রে, ইম্ফাল ইষ্ট, কাংপোকপী অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (এস এন এস)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টস গর্ভণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসিদগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা নুপাগী টিম ১৪ না গ্রুপ ৪ অদুগা নুপীগী টিম ১১ না গ্রুপ ৪ থোক্না খায়দোক্তুনা ষ্টেট ইন্টর স্কুল ফুটবোল অন্দর–১৪ বোইজ এন্দ গার্লস শান্নবা হৌখ্রে।

ঙসি মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা ইম্ফাল ইষ্ট, কাংপোকপী অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট মায় পাকখ্রে অতোপ্পা মেটচ অমদা নোনে অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা গ্রুপ এগী চুড়চান্দপুর অমদি ইম্ফাল ইষ্টনা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টনা চুড়চান্দপুরবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ ৱাই মহেশ সিংহনা মিনিট ৭ অমসুং ২৫ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ এন রিনালদো সিংহনা মিনিট ২১ দা চনখি।

মায়থিরবা চুড়চান্দপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ জিনৈশাংনা মিনিট ৩০ চনখি।

মেটচ অসিদা চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ১৭ খাইনৈসিনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল হারিমোহোন, দব্লিউ ইস্প্রিংসন, ৱাই সমরজিৎ অমদি এম ইনাওনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

নুপাগী ২শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ বিগী নোনে অমদি ককচিংনা শান্নখিবা মেটচ গোল ২–২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে। ককচিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এম জকারিয়ানা মিনিট ২৩ অদুগা জর্সি নম্বর ১১ এম ডি সহা নৱাজনা মিনিট ৪৮ দা চনখি। নোনেগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৯ বেদশাস্ত্রনা মিনিট ১০ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ লান্থাওলোংনা মিনিট ১১ চনখি।

মেটচ অসিদা নোনেগী জর্সি নম্বর ১০ পাওজাইদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এম ইনাও, ৱাই সমরজিৎ, দব্লিউ ইস্প্রিংসন অমদি এল হারিমোহোননা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৩ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ সিগী চান্দেল অমদি কাংপোকপীনা শান্নখিবা মেটচতা কাংপোকপীনা চান্দেলবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা কাংপোকপীগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ খাইনিনতেননা মিনিট ১৪ অদুগা চান্দেলগী জর্সি নম্বর ৫ থেল্লানসননা আওন গোল ওইনা মিনিট ১৫দা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি দব্লিউ ইস্প্রিংসন, এল হারিমোহোন, এম ইনাও অমদি ৱাই সমরজিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৪ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ দিগী উখ্রুল অমদি তমেংলোংনা শান্নখিবা মেটচতা উখ্রুলনা তমেংলোংবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা উখ্রুলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১২ য়ুইমিনা মিনিট ২২ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ ৱুংসুংনা মিনিট ৩৫দা চনখি। মায়থিরবা তমেংলোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১১ দিয়াংলুংনা মিনিট ১০ চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ৱাই সমরজিৎ, এম ইনাও, দব্লিউ ইস্প্রিংসন অমদি এল হারিমোহোন মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফুটবোল প্রেক্টিস গ্রাউন্দদা শান্নখিবা নুপীগী মেটচশিংদনা ইম্ফাল ইষ্ট, ককচিং, চান্দেল অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট মায় পাকখ্রে।

নুপীগী অহানবা মেটচ ওইনা গ্রুপ বিগী কাংপোকপী অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টনা কাংপোকপীবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৭ এস অঞ্জুলিকা মিনিট ১৩ অমদি জর্সি নম্বর ১২ এন পিংকিনা মিনিট ২২ দা চনখি।

মেটচ অসি টি প্রেমজিৎ, ৱাই ইঙোবী, কে অজিৎ মৈতৈ অমদি পি ঐচ লম্হোইবানা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

নুপীগী ২ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ সিগী কামজোং অমদি ককচিংনা শান্নখিবা মেটচতা ককচিংনা কামজোংবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ককচিংগা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ এরিনানা মিনিট ৪, ৩৫ অমদি ৪৪ দা গোল ৩ অদুগা অতোপ্পা গোল ৩ অদুনা জর্সি নম্বর ১১ এম অম্বিকনা মিনিট ১৫, ১৯ অমসুং ২৮ তা চনখি।

মায়থিরবা কামজোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ অয়োতোন কপাইনা মিনিট ১৮ চনখি।

মেটচ অসি পি ঐচ লম্হোইবা, কে অজিৎকুমার, ৱাই ইঙোবী অমদি টি প্রেমজিৎনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

নুপীগী ৩ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ দিগী চান্দেল অমদি চুড়চান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচতা চান্দেলনা চুড়চান্দপুরবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা চান্দেল গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ লিম্হোইনা মিনিট ৭, জর্সি নম্বর ৯ ইলিয়ানা মিনিট ১৩ অদুগা জর্সি নম্বর ৭ সঞ্জনানা মিনিট ১৫, ২২ দা গোল ২ চনখি।

মেটচ অসি কে অজিৎকুমার, পি ঐচ লম্হোইবা, টি হেমন্ত অমদি ৱাই ইঙোবীনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৪ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ এগী উখ্রুল অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শান্নখিবা মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টনা উখ্রুলবু গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৪ কিমতে লাংজেলনা মিনিট ১১, ১৬, ২২, ২৪ দা গোল ৪ অদুগা অতোপ্পা গোল ৩ অদুনা জর্সি নম্বর ৬ এরিনানা মিনিট ৪৪, জর্সি নম্বর ১৭ থোইবীসনানা মিনিট ৪৮ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ হোইনৈহাৎনা মিনিট ৫০ দা চনখি।

মেটচ অসি ৱাই ইঙোবী, পি ঐচ লম্হোইবা, টি প্রেমজিৎ অমদি কে অজিৎকুমারনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# সেনিয়ার বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ হৌখ্রে, এল এম ৱাই এ অমদি সি ৱাই এল সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙসিদগী নহাবমগী বাস্কেটবোল কোর্টতা নুপাগী টিম ১০ না গ্রুপ ২ অদুগা নুপীগী টিম ৪ না শরুক য়াদুনা ২৩ শুবা সেনিয়ার ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ শান্নবা হৌখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা য়াইস্কুল কেন্দ্রগী এম এল এ টি ঐচ সত্যব্রত্ত সিংহ অমদি মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. জি এ ইবোপিশক শর্ম্মানা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চেম্পিয়ন্সিপগী অহানবা মেটচ ওইনা নুপাগী সেন্ট এন্থোনি শঙাকফম অমদি এল এম ৱাই এ ললাম্বুংনা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচতা এল এম ৱাই এনা সেন্ট এন্থোনিবু পোইন্ট ৮২–৬২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এল এম ৱাই এ ললাম্বুংগী পোইন্টশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ তুতুনা পোইন্ট ২১, জর্সি নম্বর ৮ বোরিসনা পোইন্ট ১৪, জর্সি নম্বর ১৫ কেল্লিননা পোইন্ট ১৪, জর্সি নম্বর ৪ লুবর্টনা পোইন্ট ১২, জর্সি নম্বর ৭ ওজিনা পোইন্ট ১২, জর্সি নম্বর ১১ রাজেসনা পোইন্ট ৪ অদুগা জর্সি নম্বর ৯ রোনেন্দ্রো অমসুং জর্সি নম্বর ১০ আরবিননা পোইন্ট ২ / ২ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা সেন্ট এন্থোনি সঙাকফমগী পোইন্টশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৯ জোন পাওনা পোইন্ট ৩৬, জর্সি নম্বর ১১ জোপনা পোইন্ট ১২, জর্সি নম্বর ১৩ খুদুনা পোইন্ট ৮, জর্সি নম্বর ৪ বকোনা পোইন্ট ৪ অমসুং জর্সি নম্বর ৫ সোমিনা পোইন্ট ২ স্কোর তৌখি।

২ শুবা মেটচ ওইনা নুপাগী গ্রুপ বিগী সি ৱাই এল সি চীংঙামথক অমদি ককচিংনা শান্নখিবা মেটচতা সি ৱাই এল সিনা ককচিংবু পোইন্ট ৪৮–৩৬ তা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সি ৱাই এল সি চীংঙমথক্কী পোইন্টশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ দব্লিউ রোবার্টসননা পোইন্ট ২০, জর্সি নম্বর ১১ এ লেলিননা পোইন্ট ১০, জর্সি নম্বর ৮ এ জেমসনা পোইন্ট ৯, জর্সি নম্বর ১৩ এস লানঙম্বনা পোইন্ট ৪, জর্সি নম্বর ৬ ও জোসেপনা পোইন্ট ৩ অমসুং জর্সি নম্বর ৪ ঐচ বিশালনা পোইন্ট ২ স্কোর তৌখি।

মায়থিরবা ককচিংগী পোইন্টশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৩৩ ৱাই বিনাননা পোইন্ট ১৭, জর্সি নম্বর ১৫ এল অরিয়া মৈতৈনা পোইন্ট ৬, জর্সি নম্বর ৱাই অনিলনা পোইন্ট ৬, জর্সি নম্বর ১২ এল অমরজিৎনা পোইন্ট ৩, জর্সি নম্বর ১১ অচরব্রত অমসুং জর্সি নম্বর ৭ লোয়াঙানবনা পোইন্ট ২ / ২ স্কোর তৌখি।

৩ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ এগী ই এস য়ু ৱাংখৈ অমদি মোদেল চীংঙমখানা শান্নখিবা মেটচতা ই এস য়ুনা মোদেল ক্লবপু পোইন্ট ৫৩–৪০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ই এস য়ু ৱাংখৈগী পোইন্টশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ রুংসুংনা পোইন্ট ২০, জর্সি নম্বর ১৫ পোইন্ট ১২, জর্সি নম্বর ৫ ৱাই বব্লুনা পোইন্ট ৮, জর্সি নম্বর ১২ রজিপনা পোইন্ট ৫, জর্সি নম্বর ১০ এল বোইনা পোইন্ট ৫ অমসুং জর্সি নম্বর ৬ রোবিনসননা পোইন্ট ৩ স্কোর তৌখি।

৪ শুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ বিগী সেগা রোর্দ অমদি আইদেল ক্লব তেরানা শান্নখিবা মেটচতা আইদেল ক্লবনা সেগা রোর্দপু পোইন্ট ৫৭–৪৮ দা মায়থিবা পীখি।

হয়েং মোদেল অমদি সেন্ট এন্থোনিনা অয়ূক পুং ৬:৩০, ই এস য়ু অমদি ৱাই ও এস সিনা পুং ৭:৩০, নুপীগী ই এস য়ু অমদি বি এস সিনা নুংথিল পুং ৪ অদুগা নুপাগী সেগা রোর্দ অমদি লমকা হুপ্পরনা নুংথিল পুং ৫ তাবদা শান্নগনি।

# ঐচ পীশক নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা ও এস এ ওইনাম অমদি বি এফ এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯(এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ দগী টিম ৯ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৬ শুবা ঐচ পীশক নীংশিং ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ও এস এ ওইনাম অমদি বি এফ এ নচৌ মায় পাকখ্রে।

লীগ অসিগী ৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী য়ু এফ সি বিষ্ণুপুর অমদি ও এস এ ওইনামনা শান্নখিবা মেটচতা ও এস এনা য়ু এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ও এস এ ওইনামগী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৭ ও রোনালদো মিনিট ৪১ অমসুং জর্সি নম্বর ৮ ও সনাতোম্বনা মিনিট ৫০ চৎপদা চনখি।

মায়থিরবা য়ু এফ সি বিষ্ণুপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অহানবা হাল্ফকী মিনিট ৩৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ সনায়াইমনা চনখি।

মেটচ অসিদা য়ু এফ সি বিষ্ণুপুরগী জর্সি নম্বর ১৬ ও রোবার্টকান্ত অমদি ও এস এ ওইনামগী জর্সি নম্বর ১১ এম বিক্রমজিৎতা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এল বুবোন, এন বিজেন, এল ননাও অমদি ৱাই লুংসুনা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৫ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা বি এফ এ নচৌনা জি দি সি থিনুঙ্গৈবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা নচৌগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৭ এল বিশালনা মেটচকী মিনিট ৩৮ চৎপদা চনখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি ৱাই লুংসু, এল ননাও, এন বিজেন অমদি এল বুবোননা মথংশিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# সেথু অমদি ইন্দ্রকুমার মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (এস এন এস)ঃ ওল ইন্দিয়া টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৭ তগী চহী ৩৫ মথক, চহী ৪৫ মথক অমসুং চহী ৫৫ মথক্কী পূন্না শান্নরোই ৬৪ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসর ক্লব টেন্নিস কমপ্লেক্সতা চথরিবা আই টি এফ– ইম্ফাল সেনিয়র গ্রেদ ৩ টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা চহী ৩৫ মথক্কী মেন সিঙ্গলতা কনন সেথু অমদি ইন্দ্রকুমার খাঙেম্বম মায় পাক্তুনা মথং রাউন্দ চঙখ্রে।

চহী ৫৫ মথক্কী মেন সিঙ্গলসকী মেটচশিংদা রিবানা সিদনা দিলিপ নোংমাইথেম্বু ৬–০, ৬–২ দা, বুসাননা তাকপু, অজিৎনা সুরেসপু ৬–৩, ২–৬, ৬–২ দা, কুমারনা কুলদেবপু ৬–৭, ৬–৪ দা মায়থিবা পীখি।

চহী ৫৫ মথক্কী মেন দবলসকী মেটচশিংদা ইবোতোম্বী সিংহ অমদি ৱাই ইবোতোম্বীগী জুরা, রঞ্জিৎ অমদি ইন্দ্রকুমারগী জুরা, সুরেস অমদি দিলিপকী জুরা, চন্দ্র অমদি অজিৎকী জুরা মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দদা চঙখ্রে।

চহী ৪৫ মথক্কী মেন দবলসকী মেটচশিংদা সুনিল অমদি ইন্দ্রকুমারগী জুরা, খোলি অমদি নীংতম্বগী জুরা, রাবি অমদি অমিতাপকী জুরা, সনাতোম্বা অমদি রঞ্জনগী জুরা মথংগী রাউন্দ চঙখ্রে।

# দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ৬ না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌরকখিবা দি এফ এ থৌবাল সব–দিভিজন দি এফ এ থৌবাল সুপ্পর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিং মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগ অসিগী ৬ শুবা মেটচ ওইনা ৱাংখেমগী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা দব্লিউ ৱাই সি ৱাংখেম্বু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ দেবব্রতনা মিনিট ১০ অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ এল জেকসননা মিনিট ৪৬ অমসুং ৭০ চৎপদা চনখি।

মেটচ অসিদা দব্লিউ ৱাই সিগী জর্সি নম্বর ১৮ সুরনজয়দা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

# এ এস এস এ অমদি দি য়ু সি দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (এস এন এস)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা মমাঙ থা ৩০ দগী চাওয়াইমা হায়র সেকেন্দরী প্লেগ্রাউন্দদা টিম ৭ না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌরকখিবা দি এফ এ থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এ এস এস এ সঙ্গাইয়ূম্ফম অমদি দি য়ু সি চরাংপাৎ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

ৱাংজিং স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ঙসি লীগ অসিগী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা এ এস এস এ অমদি দি য়ু সিনা শান্নখিবা মেটচ গোল ২–২ দা দ্রো চৎখি। এ এস এস এগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৬ অরৱাস খান মিনিট ১৯, জর্সি নম্বর ৬ মুকেমনা মিনিট ৪৮ তা চনখি অদুগা দি য়ু সিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২৫ জোলিনা মিনিট ৫ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ রমানন্দনা মিনিট ১৩ দা চনখি।

লীগকী ১৫ শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা ৱাই দি সি খোইরোমনা এস এল ৱাই ও তেকচম্বু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই দি সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২৩ বিকেনা মিনিট ৪ অমসুং ১৩ দা চনখি অদুগা অতোপ্পা গোল অদুনা তেকচমগী জর্সি নম্বর ৩ বিজুনা আওন গোল ওইনা মিনিট ৩৩ চনখি।

মেটচ অসিদা এস এল ৱাই ওগী জর্সি নম্বর ১৯ এস পেলে অমদি ৱাই দি সিগী জর্সি নম্বর ৩ এন বিজুদা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

# স্পোর্টস মিট হৌখ্রে

মোরে, ওক্টোবর ০৯ ঃ মোরেদা লৈবা কুকি ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরেনা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ ফাওবা চৎথগদবা ইন্টর স্কুল স্পোর্টস মিট ২০১৯ মোরেগী গালঙম লেম্হৌ প্লে গ্রাউন্দদা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী বাইভ প্রসিদেন্ট ওইরিবা ঐচ এস বেঞ্জমিন মাতেনা থৌরম মপুং ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

স্পোর্টস মিট অসি মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুল কয়াগী ছাত্রশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কনি অমদি থৌরম অসিদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট অসিগী প্রসিদেন্ট থাংবোই লুংদুম, সোসিয়েল ৱার্কর থাংখোশৈ য়াওনা মোরে কে এস ও প্রসিদেন্ট তিম্থানসু থৌরম অসিদা শরুক য়াখি।

# ষ্টেটকী অন্দর–১৬ ক্রিকেট টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (এস এন এস)ঃ বোদ ওফ কন্ট্রোল ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মীৎ মখাদা থা অসিগী ১১ দগী কোলকটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওল ইন্দিয়া ভিজে মারচেন্ট ট্রোফি ২০১৯ দা শরুক য়ানবগী মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী অন্দর–১৬ গী প্লেয়র ১৫ অমসুং সপ্পোর্ট ষ্টাফ ৪ পুন্না মীওই ১৯ না শাবা মণিপুর ক্রিকেট টিম ঙসি কোলকটাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেটগী টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি দেবরাজ নোংথোম্বম, রাজকুমার ব্রাইন সেনা, টিম কেপ্টেন ওইনা কদমজিৎ মোই রাংথেম, প্রভিশ সহাজান, ভাইজ কেপ্টেন খাইদেম জয়রাজ মৈতৈ, নীংথৌজম থোইবা সিংহ, লাইশ্রম বিদ্যশ্বর সিংহ, সঞ্জেনবম সোমোকান্ত খুমন, এম দি অলফাস, হৈস্নোম শেমসং মৈতৈ, সোরোকখাইবম অলবর্ট সিংহ, নাওশেকপম মালেমঙানবা, মোহমদ অলি করিম, মোহমদ ইমরান খান অমদি নীংথৌজম রোহিৎ সিং হনি।

সপ্পোর্ট ষ্টাফশিংদা নমোইজম লোকেশ্বর সিংহনা কোচ, ৱাহেংবম কুঞ্জবীহারি সিংহনা ট্রেন্নর, শংলাকপম ভবানন্দ শর্ম্মনা ফিজিয়ো অদুগা শৌগাইজম রোবিন্দ্রো সিংহনা মেনেজর ওইনা লুচিংলি।

# শীংজমৈ কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (এস এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থা ৫ দগী পীশুমথোং ওইনাম লৈকাইদা লৈবা ইরৈমা শঙলেনদা চথরিবা ৬৪ শুবা সার চড়চান্দ সিংহ ( কে সি এস আই– সি বি ই ) নীংশিং লীগ কম নোক অউট কাঙ টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা শীংজমৈ কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শীংজমৈ কাঙখূৎ অমদি খুন্দ্রাকপম কাঙখূৎনা শান্নখিবা মেটচতা শীংজমৈ কাঙখুৎনা খুন্দ্রাকপম কাঙখূৎপু পাঞ্জল ৩১–১৯দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা শীংজমৈ কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৩ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৮ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা খুন্দ্রাকপম কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ অমসুং অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৪ স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা শীংজমৈ কাঙখূৎগী কাঙলোইশিং অদুদি এন কুরত, এল নবকান্ত, টি ঐচ ধিরেন্দ্র, টি ঐচ শ্যাম, এল গোকুল শর্ম্ম, ই ইথোই, এম কুঞ্জে অমদি এস মুনিন্দ্রোনি অদুগা মেটচ অসি পি ঐচ চুরামনিনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৪ দা অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ ওইনা কে কে সি ও কৈশামথোং কাঙখূৎ অমদি শীংজমৈ কাঙখূৎকা শান্নগনি।

# জুনিয়ার হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ্তা বিষ্ণুপুর হোক্কি অমদি ঐচ দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯(এস এন এস)ঃ মণিপুর হোক্কীনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী নুপাগী টিম ৭ না গ্রুপ–২ অদুগা নুপীগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৭ শুবা জুনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন ষ্টেট লেভেল হোক্কী চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেটচতা বিষ্ণুপুর হোক্কি অদুগা নুপাগী মেটচতা ঐচ দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা বিষ্ণুপুর হোক্কি অমদি মৈরা বাশিখোঙনা শান্নখিবা মেটচতা বিষ্ণুপুর হোক্কিনা মৈরা বাশিখোঙবু গোল ৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা বিষ্ণুপুর হোক্কিগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বাটরদা গোল ১, অহুমশুবা ক্বাটরদা গোল ২ অমসুং অরোয়বা মরিশুবা ক্বাটরদা গোল ৩ চনখি। মায়থিরবা মৈরাগী বাশিখোঙগী গোল অদুনা অহুমশুবা ক্বাটরদা চনখি।

বিষ্ণুপুর হোক্কিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ কে সরমিলানা পেনালটি কোনরদা মিনিট ৭, জর্সি নম্বর ১১ টি ঐচ দনালিনা পেনালটি কোনরদা মিনিট ৩১, মিনিট ৪৭, ৪৯ দা ফিলদ গোলদা গোল ২, জর্সি নম্বর ৩ এম রোজিয়ানা ফিলদ গোলদা মিনিট ৩৭, অমসুং জর্সি নম্বর টি ঐচ সুস্ত্রিনা ফিলদ গোলদা মিনিট ৫১দা চনখি।

মায়থিরবা মৈরা বাশিখোঙগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১২ কে পুণিমনা মিনিট ৩৩ চনখি।

নুপাগী ৭ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপ অমদি ঐচ দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা মেটচতা ঐচ দব্লিউ সিনা ৱাই সি সি আই সিবু গোল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ঐচ দব্লিউ সি লংথবালগী গোলশিং অদু অহানবা ক্বাটরদা গোল ১, অনীশুবা ক্বাটরদা গোল ২, অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা ক্বাটরদা গোল অমমম চনখি। মায়থিরবা ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপকী গোলশিং অদুনা অহানবা, অনীশুবা অমসুং মরিশুবা ক্বাটরদা গোল অমমম চনখি।

ঐচ দব্লিউ সি লংথবালগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ কে সঞ্জিৎনা মিনিট ৯, জর্সি নম্বর ১৬ সি ঐচ নেলসননা মিনিট ২১, জর্সি নম্বর ৪ কে দেনিনা মিনিট ২৬, জর্সি নম্বর ৬ এন ইবুঙৌঅচৌবা মিনিট ৩৯ অমসুং জর্সি নম্বর ২ নিতিনকান্তনা মিনিট ৫৯ চৎপদা চনখি।

ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহল্লুপকী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ২ এস রিশিনা মিনিট ২, ৫৬ তা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ৬ লৈশেম্বনা মিনিট ২৭ দা চনখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*